হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মার্চ ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩০শুবা মশীং

# লৈঙাক্কী থৌরাং য়ানীংদবা ফোঙদোকপা

## মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা অতম্ননা পূক্লিং থৌগৎপা নত্তে

লৈঙাক্লা মতম-মতমগী ওইবা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলকপদা কনাগুম্বনা য়ানীংবা নৎত্রগা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকপা হায়বসি হৌনশানি। অতোপ্পা মীওইশিংদা থোইদোক্লা অকায়বা পীরোইদবা লৈরবদি হীরম খুদিংমক্তা অপাম/পামদা ফোঙদোকপা য়াহনবা হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা কন্সটিট্যুসনননা পীবা রাইটনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিং য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মশাগী ওইবা মোত পীরকপা মতমদা মীওই অদু লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈরে অমসুং মীচম-মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা পূক্লিং থৌগৎলে হায়না লৌফম থোক্তে। অমরোমদা কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈঙাক্কী থৌরাং খুদিংমক য়ানীংবা ফোঙদোরক্লে হায়দুনসু হায়রিবা মীওই অদু মরৈবাক নুংশিবা মীশকনি হায়না লৌবা লানগনি। মরম অদুনা অতোপ্পা মীওইশিংদা থোইদোক্লা অকায়বা পীরোইদবা লৈরগদি মীপূম খুদিংমক মনীং তম্না মশাগী অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী রাইট ফংহনফম থোকই। মালেমগী ওইনসু কুমজা ১৯৪৮দগী চৎনবা হৌরকখিবা য়ুনিভর্সেল দেক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী আর্টিকল ১৯গী মতুংইন্না মীপূম খুদিংমক্তা মশাগী অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী রাইট পীরি। কন্সটিট্যুসনননা পীবা ফন্দামেন্টেল রাইট অসি য়ুনিভর্সেল দেক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস, য়ুরোপিয়ন কনভেন্সন ওন হ্যুমেন রাইটস এন্দ ফন্দামেন্টেল ফ্রীদমস অমসুং ইন্টরনেসনল কোভনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসনচিংবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল কনভেন্সন কয়ানসু মপূং ফানা শৌগৎলি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীপূম খুদিংমক অকি-অখং য়াওদনা মশাগী অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকচবা য়াহনবা হায়বসি ইন্টরনেসনল অমসুং রিজনেল হ্যুমেন রাইটস লোগী তৎন-থানবা য়াদবা শরুক অমা ওইরে। লৈবাক অসিদসু কন্সটিট্যুসনননা সিটিজন খুদিংমক্তা তোঙান-তোঙানবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং পীরি। খরদং পল্লবদা অকি-অখং য়াওদনা মশাগী অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী রাইট, ঈং-তপ্পা মওংদা খূৎলায় য়াওদনা মীয়াম পূনবা য়াবগী রাইট, এসোসিএসন নৎত্রগা য়ুনিয়ন শেম্নবগী রাইট, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চৎথোক চৎশিন তৌনবগী রাইট, মফম অমদা হেক্তা খুন্দাজনবগী রাইট অমসুং অপাম্বা শিনফম অমা হেক্তা পায়জবা য়াবগী রাইট অসিনচিংবনি।

কন্সটিট্যুসনননা পীবা ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়দুনসু কনাগুম্বা অমবু অফ-ফত্ত খঙদবমখৈ অতোপ্পা মীওইশিংদা শোকহনগদবা মওংদা ঙাঙনীংবা ৱা ঙাঙহনবা য়াদে হায়বসিসু পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। হীরম খুদিংমক্তা পনখৈ অমা লৈবগুম ফ্রীদম ওফ স্পিচ এন্দ এক্সপ্রেসনগী মতাংদসু অথিংবা খরা অদুম্মক লৈজৈ। লৈফমসু থোকই। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক-থৌরমশিংদা য়ানীংবা নৎত্রগা য়ানীংদবা ফোঙদোকচনবগী রাইট অদু ফাওবদি মীপূম খুদিংমক্তা ফংহনবা চুম্মী। মরমদি লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌশিল খুদিংমক অশোয়বা-অরানবা অমত্তা য়াওরম্লোই হায়না লৌবা য়াদে। সুপ্রিম কোর্টনসু লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলকপা মীওই খুদিংমক লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবা হোৎনবা মরৈবাক নুংশিদবা মীশক ওইনা লৌবা য়াদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনষ্টর ওইরম্বা ফরুক অবদুলাগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা রিজেক্ট তৌরদুনা জষ্টিস সঞ্জয় কিশন কোলনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হায়খি, হীরম খরদা লৈঙাক্কা মোত খেন্নবা মীওই পূম্নমক লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীশকনি হায়না লৌবা য়াদে। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অহুম থোক্লা খায়দোকখিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙাঙলুবগীদমক ফরুক অবদুলাগী মথক্তা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখি। অদুবু এদভোকেট শিব সাগর তিৱারিগী খূত্থাংদা পি আই এল ফাইল তৌরকখিবা রাজট শর্ম্মা অমসুং অতৈ মীওইশিংদা লুপা ৫০,০০০ ফাইন থিহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা লৈঙাক্কী থৌশিল-থৌরমশিং য়ানীংদবা ফোঙদোকপা হায়বসি ক্রাইম নত্তে হায়না লৌবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবা খরা অৱাফমদা তাবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। কন্সটিট্যুসনননা পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইট অমসুং সুপ্রিম কোর্টনা হন্দক্তা পীখিবা ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী থৌশিল থৌরাং য়ানীংদবা ফোঙদোকপা হায়বসি মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা অতম্ননা পূক্লিং থৌগৎপা নত্তে হায়না লৌফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ 'চিত্রলেখা' হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?


৫) "হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঙ্খাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঙ্খাং শানা পীজগে।" মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# উনশা অমসুং ফি-রোলবু হূ অমসুং মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা মঙালদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা খূৎশেমগী মেলানিন : 'ফঙ্গাল ঘোষ্ট'

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম




পোরস মেলানিন কোটিংনা হূশিংবু চূপশিন্দুনা থমহৌরগা ঈশিংবু ফাউদোকহনখিবা

মেলানিন হায়বসি মীওইবগী উনশা, শম, মীৎকী তুং থংবা শরুক অমসুং অতৈ অতোপ্পা জীবশিংদা য়াওবা পিগমেন্ট অমনি। মসিনা মীগী কুচু মুহল্লি অদুবু মসিনা উনশাগী লায়নাশিং পোকহনবা ঙম্বা নুমিৎ মঙালদা য়াওরিবা অলত্রা-ভাইওলেট রেদিএসন (য়ু ভি) দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। অতোপ্পা জীবশিংদা মসিনা ইনভাইরনমেন্টল ষ্ট্রেসরশিংদগী ঙাকথোকপদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌই। থেঙ্গু মানবা-মকোক পানবা সি স্নেকশিংনা অমোৎপা ঈশিংগা থেংনবা মতমদা, মুনা মরাং-মরাং লাংলকই; কল-কারখানা য়াম্না লৈবা মফমশিংদা হিংলিবা মোথশিংনা মৈখুদা য়াওরিবা হূশিংবু চূপশিনবদগী মচু মুশিল্লকই। মহৌশাদা ফংলিবা ঙক্লবা পিগমেন্ট অসিগী মগুনসিবু হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক খূৎশেমগী পাম্বৈনা স্পোঞ্জ মানবা বাইওমেটরিএলশিং শাবা য়াগদ্রা নৎত্রগা স্পোঞ্জ মানবা মেলানিনসি মহৌশাদা ফংব্রা হায়বসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা পূক্লিং চঙবা হৌরকখি।

ইভান্সটন, ইলিনোইকী নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটি (এন য়ু) গী থিজিন লূপ অমনা লম্‌সিদা থিজিল্লকখিবগী মহয় ওইনা স্পোঞ্জগুম্না অপিকপা মখুল ময়াম্না শেম্বা মেটরিএল অমা ফঞ্জাইদা য়াওই হায়বসি খঙলকখি। অসিগুম্বা ফঞ্জাইদা য়াওরিবা মেলানিন অসিনা মোৎলবা অকোয়বগী ফীভমশিংদা ফঞ্জাইশিংনা হিংবা ঙমহল্লি। হায়রিবা মেলানিন অসিমক্লসু মীওইবনা নুমিৎকী মঙালদগী ঙাকথোক্তুনা হিংই। মহৌশাগী মেলানিন্দা য়াওরিবা মগুন অসিগী মতৌ তম্লগা, খূৎশেমগী মেলানিন্নসু অকোয়বগী মোৎলবা ফীভমশিংদগী ঙাকথোকহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরক্লি।

এন য়ুগী নথান গিয়নেসচিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মেলানিন্না তৌরিবা মথৌশিংগী মতাংদা মপূং ফানা খঙবা ঙমদ্রি। মসিনা মীওইবগী উনশাদা রেদিকেল (আইওন) শিং চাথোকপা/মাঙহনবা অমা ওইনা মথৌ তৌরম্বা য়াই, অদুগা য়ু ভিনা মাঙহন-তাকহনগদবদগী ঙাকথোক্লম্বা য়াই। ফঞ্জাইনা মেলানিনবু মখোয়গী সেলশিংবু কলহন্নবগীদমক শুংলম্বা য়াই, অদুবু মসিদা পিক্লবা মখুলশিং য়াওই, হায়বদি মসি পোরস ওই অমসুং মসিনা তঙাইফদবা ন্যুত্রিএন্টশিংবু সেল মনুংদা চঙহনখিবদসু মতেং পাংই। অদুবু হূ চেনবা পোৎশিংদি চূপশিন্দুনা থমহৌরগা সেল মনুংদা চঙহনখিদে। ফঞ্জাইশিংনা অতোপ্পা জীবশিংনা হিংবদা ৱারবা অকোয়বগী ফীভমশিংদা হিংবা ঙল্লিবসিগী মরু ওইবা মরম অমদি মখোয়গী সেলশিংদা য়াওরিবা মেলানিনগী কুয়োম অসিননি।

'জর্নেল ওফ দি অমেরিকান কেমিকেল সোসাইটি' (মার্চ ৫, ২০২১) দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অসিগী মতুংইন্না, লেব অমদা অসিগুম্বা পোৎশক অমবু শেমগৎপা ঙম্লকপা হায়বসি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইগী মরম কয়ামুক লৈ হায়রি। অচম্বা পোরস ওইদবা পোৎশকশিংদদি, পার্টিকলশিংনা মখোয়গী লৈমায়দা নপশিল্লকপখক্তনি; অদুবু পোরস ওইবা এলোমেলানিন (ফঙ্গাল ঘোষ্ট) গুম্বা পোৎশকশিংনদি ফত্তবা হূশিংবু চূপশিন্দুনা ফাজিনহৌরগা নুংশিৎ, ঈশিং অমসুং ন্যুত্রিএন্টশিংগুম্বা অফবা পোৎশিংবুদি ফাওদুনা চংহনখি। অসিগুম্বা পোৎশক অমা খূৎশেমগী পাম্বৈনা পুথোরক্লিবসিগী চন্নফম কয়ামুক লৈগনি হায়না গিয়নেসচিনা হায়রি।



ফঙ্গাল সেলদগী ফঙ্গাল ঘোষ্ট শুংদোকপগী থৌওংশিং

'ফঙ্গাল ঘোষ্ট' হায়না মিংথোল্লবা এলোমেলানিন অসি চুনবা ফীভমশিংদা, অহোবা অমগুম্না তৌই নৎত্রগা ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপনা য়েংবদা অহাঙবা অমগুম্না উই। থিজিন লূপ অসিনা অসিগুম্বা অহাঙবশিং অদুবু শেম-শাবা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশিংবু চূপশিনবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পোৎশকশিংদা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মসিদগী খঙবা ঙম্লকি-খবদি, হেন্না ফরবা খূৎশেমগী পোরস ওইবা মেলানিন অসিনা 'প্রোটেক্টিভ কোটিং' ওইনা মথৌ তৌরম্মী। মসিগী মতুংদা থিজিন-লূপ অসিনা ফঙ্গাল সেলশিংদগী মহৌশাদা ফংবা মেলানিনবু লৌথোকখি। মখোয়না সেল মনুংদা য়াওরিবা বাইওমেটরিএলশিংদু লৌথোক্লবা মতুংদা মেলানিন য়াওবা কুয়োম অমা ফংবা ঙমখি, অদুগা মসিগী মনুংদা হোবা 'কেস্পর" মানবা মগুনসিনা মরম ওইরগা 'ফঙ্গাল ঘোষ্ট' হায়বা মমিংসি থোনখি। ফঞ্জাইদগী লৌথোক্লবা মেলানিন অসি ফি-রোলদা হাপচিনবা মতমদা প্রোটেক্টিভ লেয়র অমা ওইনা মথৌ তৌবা ঙম্লম্মী। অসিগুম্বা ফি অসি ফাউরগা শ্বর হোনবা ঙম্বতা নত্তনা, হূশিংবু চূপশিনহৌরগা ঈশিংবুদি ফাউদুনা চৎহনখিবসু ঙম্লম্মী। এলোমেলানিন অসিগী অতোপ্পা খুদোংচাবা অমদি মসিগী ইচম চম্বা মওং-মতৌ অসিনি অদুগা অচম্বা মোলিক্যুলর প্রিকরসরশিংদগী অরাইবা মওংদা শাবা য়াই।

এলোমেলানিন অসিগী শীজিন্নফম কয়ামুক লৈগনি। মসিনা তুশিল্লবা ফিজোল শেৎ-চারগা নুমিৎকী মঙাল, অমোৎপা নুংশিৎ অমসুং ঈশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমহনগনি। কনাগুম্বা অমনা ঈশিংগা শোক্ল-শম্নরগা লৈবা মতমদা, ফি অসিনা ঈশিংদা য়াওরম্বা হূ ওইবা পোৎশিংবু চূপশিলহৌরগা, হূ অদুনা উনশাগা থেংনহল্লোই অমসুং হকচাং মনুংদা চঙলকপা ঙমহল্লোই। ফি মখলসি শীজিন্নরগা শাবা মাস্কনা অমোৎপা নুংশিৎতা য়াওবা হূশিংবুসু চূপশিনহনবা ঙমগনি হায়না থিজিন-চেরোলদুদা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

অতোপ্পা অমরোমদনা, তুংলমচৎতা অসিগুম্বা ফিনা শাবা মাস্ক অমসুং ফেস শিল্ডশিংনা স্পেসতা কুইনা চৎলিবা এষ্ট্রোনোটশিংদসু য়াম্না কান্নবা পীরক্কনি। এষ্ট্রোনোটশিংনা শ্বর হোনে দারকপদা য়াওবা হূ ওইবা পোৎশিংবু চূপশিন্দুনা থমহৌবা অদুগা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা রেদিএসন দগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা স্পেসশিপ মনুংগী নুংশিৎকী ফীভমবুসু শেংনা থম্বদা মতেং পাংগনি হায়রি। ফঙ্গাল ঘোষ্ট য়াওরবা ফিল্টর অমনা থক্লবা ঈশিংদা য়াওবা হূ ওইবা অরসেনিক, মিশিগুম্বা অৱম্বা ধাতুশিংবু চূপশিনহল্লগা ঈশিং অমসুং কান্নরবা মিনরেলশিংবুনা ফাউদুনা চৎহনখিবগী থবক্তসু শীজিন্নবা য়াগনি। ●

# অহানবা ওলিম্পিক্কী নুপীগী ফুটবোল ১৯৯৬

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী ফুটবোলবু গেমস অসিগী দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহনখিবা অসি কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টা সিটিদা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা ওলিম্পিক গেমসতনি। গেমস অসিদা শরুক য়ানবা মহাদেশ খুদিংমক্তগী অফবা টিমশিং খনগৎতুনা থমখি। মদুদি (১) য়ুরোপ্তগী নোর্ৱে, জর্মনি, স্বিদেন অমসুং দেনমার্ক (২) এসিয়াদগী জপান অমসুং চাইনা (৩) খা অমেরিকাদগী ব্রাজিল (৪) অৱাং অমেরিকাদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ) নি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা নোর্ৱে অমসুং য়ু এস এ অনী অসিনা চহী কয়ামুক মালেমদা নুপীগী থৌরম অসিদা মকোক ওইনবা মুক্লদুনা লাক্লি। মখোয়না কুমজা ১৯৮৭তগী ওলিম্পিক অসি পাঙথোকপা মতম ফাওবা ১৮লক লম্বা তৌনদুনা শান্নখ্রে। মসিগী মনুংদা নোর্ৱেনা তরানিপাল্লক শান্নখিবগী মনুংদা তরাখক থোইখিবদা য়ু এস এনা তরেৎ থোইখি অমদি পাঞ্জল মান্নখি, দ্রো ওইখি।












কুমজা ১৯৯১দা পাঙথোকখিবা নুপীগী ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা য়ু এস এনা নোর্ৱেবু ২-১দা মায়থীবা পীখি। অদুবু কুমজা ১৯৯৫গী ৱর্ল্ড কপকী সেমীফাইনেলদা নোর্ৱেনা য়ু এস এবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা লমন শিংখি। টিম অনী অসি কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী সেমীফাইনেলদা থেংনখি। মসিনা ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী ফুটবোলবু দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহনবা অসি অহানবা ওইবা মরম্না অমেরিকাগী মীওই কয়ামুক মেটচ অদুবু য়েংবা লাকখি। নোর্ৱেগী পুলিস ওফিসর অমা ওইরিবী লিন্দা মেদালেন্না শান্নবা হৌবগী মিনট ১৮দা পাঞ্জল অমা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অসি শান্নবা লোইগদবা মিনট ১৬ খক্তা ঙাইরবা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মরম অদুনা অমেরিকাগী মীওইশিং অদু নীংবা য়াম্না কায়রম্মী। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নোর্ৱেগী দিফেন্দর গ্রো ইসপেসেথনা খরা কন্না কাওশিল্লকপা বোল অমা মহাক্কী খুনিংনা ঙাকথোক্লম্মী। মদুদা অমেরিকাগী শান্নরোয়শিংনা ৱাকৎলবসু রেফরিনা তাবীদনা শান্নবা অদু মখা চত্থহনখি। অদুম ওইনমক মিনট ২গী মতুংদা সোনিয়া দেনোনকোর্দ কৌবী রেফরি অদুনা নোর্ৱেগী মায়োক্তা পেনালটি অমা কাওশিন্নবা মহাক্কী হুইসল অদু খোঙখি। মসি রেফরি অদুগী অরানবনি হায়না লৌনৈ। মরমদি বোল অদু শান্নরোয় অদুগী খুনিংদা পানখিবনি, মহাক্লা থওইনা ঙাকথোক্লবা মহাক্কী খুনিং অদু শীজিন্নখিবা নত্তে। য়াম্না কুইনা ফুটবোল শান্নরক্লবী মিচেল একরনা পেনালটি অদু কাওশিন্দুনা পাঞ্জল অমা চনবা হৌখি। মতুং তারকপদা নোর্ৱেগী শান্নরোয় এগনেট কার্লসননা শান্নবদা মরম চাদনা নমদুনা বোল লৌনবা হোৎনরুবদগীদমক মেটচতগী তান্থোকখি। মদুদগী মেটচ অদু ওভর টাইমগী সদন দেট ওইদুনা লেপখি।

য়ু এস এগী কোচ টোনি দিসিক্কোনা টিফেনি মিলব্রেতপু মহাক্কী হান্নগী য়ুনিভর্সিটি ওফ পোর্টলেন্দগী টিমমেট সান্নোন মেকমিল্লান্না মহূৎ শিনখি। মেকমিল্লাননা হেক ফিল্ডদা চঙখিবা মিনট ৪গী মনুংদা জুলি ফাওদেদনা পীরকপা বোল অমনা পাঞ্জল চনখি। নুমিৎ অদুগী অয়ূক্তা চাইনানা ফাইনেল হান্না চঙখি। মখোয়না ব্রাজিলগা সেমীফাইনেল শান্নবদা ব্রাজিলনা ২-১দা মাঙজিল থারম্মী। চাইনাগী ৱিই হুইমিং শান্নবা লোইগদবা মিনট ৮ খক্তা ঙাইরবা মতমদা পাঞ্জল ২ চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি।

লৈবাক অনী অসি নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ জর্জিয়াদা ফাইনেল শান্নখি। মসি ওলিম্পিক পাঙথোক্লিবা অটলান্টাদগী মাইল ৬৫ লাপ্পী। মসি এথেন্স কৌবা সিটি অমদা লৈবা মফমনি। ঐখোয়না নীংশিংগদবদি গ্রিসতা এথেন্স কৌবা অমগা য়ু এস এদা এথেন্স কৌবা মফম অমগা লৈ। লৈবাক অনী অসি হান্না গ্রুপকী মেটচতা শান্নখ্রে। মদুদা ০-০দা পাঞ্জল মান্নখি। মসি মখোয় অনীমক সেমীফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইরবা মতুংদনি।

ফাইনেল হৌখ্রবা মতুং মিনট ১৯ য়ৌরকপগী মতমদা Mia Hamm না অকনবা বোল অমা কাওশিনবদা চাইনাগী গোলকিপর Gao Hong না মখূৎনা বোল অদু ইন্থোকপদা গোল পোষ্টতগী থকতোরকখি। মদুদা Shamon Mac Millan না থকতোরকপা বোল অদু কাওশিনবদা পাঞ্জল অমা চনবা হৌখি। মিনট ১৩ লৈরবা মতুংদা অমেরিকাগী গোলকিপর অদু গোল পোষ্টকী মমাঙদা লাপথোক্লা লৈবা উবদগী Sun Wen মিটর ২০দগী কাওশিল্লকপা বোল অমা পাঞ্জল ওইবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি।

অহানবা হাফ অমদি অনীশুবা হাফকী অহানবা তঙ্খাই অদু চাইনানা হেঞ্জিল্লকখি। অদুবু অমেরিকানা মখোয়গী খোঙজং হেঞ্জিল্লকখি। মিনট ৬ কন্না চঙশিল্লকপা অদুদা অমেরিকাগী দিফেন্দর Joy Fawlett না পেনালটি এরিয়াগী য়েৎ থংবা কোর্নরদা লৈ। অদুগা বোল অদু Godlic Gao গী মমাংদা লান্থোকহল্লি। Tiffeni Milbrett তা পীখি। মিলব্রেটনা বোল অদু ফারগা কাওশিনখিবদা গোল কিপর গোৱানা শোকপা ফংহৌদে। মসিনা য়ু এস এ মায় পাকপা ওইখি। অহুমশুবগী মেদলগীদমক নোর্ৱেগা ব্রাজিলগা শান্নবদা নোর্ৱেনা ব্রাজিলবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ওলিম্পিক্কী নুপীগী ফুটবোল অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা অসিদা য়ু এস এ, চাইনা অমসুং নোর্ৱেনা মথং মনাও নাইনা মকোক মথং অমসুং অহুমশুবা তাখি। ●